# প্রেমিয়র লীগ : বোর্নমাউথ, ক্রিষ্টল পেলেস, ইভর্টন অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

**লন্দন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):**

ইংলেন্দদা হৌজিক চথরিবা প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা বোর্নমাউথনা ৱোল্ভস, ক্রিষ্টল পেলেসনা ন্যু কাসল, ইভর্টননা লিভরপুল অদুগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে।

লন্দনদা লৈবা মোলিনক্স ষ্টেদিয়মদা ঙসি ৱোল্ভস অমসুং বোর্নমাউথকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ থারমদাই ৩৭শুবা মিনটতা বোর্নমাউথকী এন্টোইন সেমেনয়োনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বোর্নমাউথনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

সেলর্স পার্কতা ক্রিষ্টল পেলেস অমসুং ন্যু কাসল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ন্যু কাসলগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবশিং লৌবদি ঙমখিদে। অমরোমদা, বোল পায়বগী চাং খরা নেল্লবসু ক্রিষ্টল পেলেসকী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা শোট মশীং হেন্না কাওবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৫ অমসুং ৮৮শুবা মিনটতা ক্রিষ্টল পেলেসকী জিন ফিলিপ মাটেলেনা থংন-থংননা ন্যু কাসলগী মায়কৈদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা ন্যু কাসলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ক্রিষ্টল পেলেসনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

লন্দনগী গুদিসন পার্কতা ইভর্টন অমসুং লিভরপুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লিভরপুলগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা লিভরপুলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭৭ অদুগা ইভর্টননা বোল পায়বগী চাং চাদা ২৩ খক্তমক ওইখি। অদুবু ইভর্টনগী দিফেন্স কা-হেন্না লিংখিবনা মরম ওইরগা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা লিভরপুলনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ২৭শুবা মিনটতা ইভর্টননা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা টিম অদুগী জরাদ ব্রান্টৱাইতেনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইভর্টননা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৮শুবা মিনটতা ইভর্টনগী দোমিনিক কালভর্ট লেৱিননা মখা তানা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক লিভরপুলগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইভর্টননা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ওল্ড ট্রাফোর্ড ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ৪-২দা শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীরমখিবনি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪২শুবা মিনটতা হেরি মেগ্যেরনা অমা, ৬১ অমসুং ৮১শুবা মিনটতা ব্রুদো ফর্নান্দেজনা অনী অদুগা ৮৫শুবা মিনটতা রাসমস হোজলননা অমা চনখিবনি। অদুগা শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ৩৫ অমসুং ৫০শুবা মিনটতা মথংশিংনা জেদিন বোগ্লি অমসুং বেন ব্রেরেটন দিয়াসনা চনখিবনি।

প্রেমিয়র লীগকী ওইনা হৌজিক-হৌজিক অর্সনেলনা পূন্না পোইন্ট ৭৭ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈরি। লিভরপুলনা পোইন্ট ৭৪ অদুগা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট ৭৩ ফংদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

## এন ঈ এস য়ুনা এফ সী এল অদুগা ৱাই পি ঐচ য়ুনা রাহি য়ু সী থোইখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচ এন এস):**

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দ অমদি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা চথরিবা ১৬লকশুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন ঈ এস য়ু)না ফুটবোল ক্লব লমজাও (এফ সী এল) অদুগা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু)না রাহি য়ু সী মায়থীবা পীখ্রে।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং রাহি য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাই পি ঐচ য়ুনা পাঞ্জল ২-০দা রাহি য়ু সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। ৱাই পি ঐচ য়ুগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৬ অমসুং ৭৬শুবা মিনটতা আইমসো চিথুং অমসুং ওক্রম রোহিটনা অমমম্ চনখিবনি।

নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা এফ সী এল অমসুং এন ঈ এস য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এন ঈ এস য়ুনা এফ সী এলবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখিবনি। মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এন ঈ এস য়ুনা পাঞ্জল ৩ চনখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২৭শুবা মিনটতা ঙাথেম ইমর্সননা অমা, ৪১শুবা অমসুং অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা য়ুম্নাম মোনিশনা অনী চনখিবনি। অদুগা এফ সী এলগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ৫০শুবা মিনটতা দিফেন্দরনা চনখিবনি।

# থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অশেংবা ইস্যু নাথৈরম্লবা পার্লিয়ামেন্ট মীখল

মণিপুরগী মীয়াম্না, চরাঙনবা মণিপুরগী তুংলমচৎ শেম্বগা মরী লৈনবা মীখলনি থাজনবা... মণিপুর কনবা পাম্বা কাওবুগা, থুগায়বা পাম্বা কাওবুগা অনীগী মরক্তা থেংনবা মীখল অমনি হায়নবা (ওপ্পোজিসন পার্টিগী কেন্দিদেটনা হায়বা ৱাহায়সিমক রুল্লিং পার্টিগী ষ্টার কেম্পেনর, হোম মিনিষ্টরমক্না হায়রম্বা)... ১৮শুবা ইন্দিয়ন লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজ লোইখরে। অনীশুবা ফেজগী ইলেক্সন ঙসি (এপ্রিল ২৬, ২০২৪) পাঙথোক্কদৌরি। মণিপুরগী মপান থংবা শরুক্তা লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সিগীসু ঙসি পাঙথোক্লগনি। তারিখ ১৯দা পাঙথোকখিবা মীখলদু নীংশিংলুরবা, ঙসিগী মীখলসিদসু থোকহৈদবা থৌদোক খরা থোক্কনি, তাহৈদবা পাউ খরা তাগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। কেন্দিদেট অমগী কেম্প্যেন মীটিং কয়াদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা থুগায়নবা হোৎনখিবনি। ভোট লেপ্পুনবা কিহনবনি... কিদদুনা লেপ্পল্লবসু কান্নরোই/কাহল্লোই হায়বনি। অদুগুম্বা থৌদোক অমত্তা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তগী মফমদা থোকখিদে।

ইন্নর-মণিপুরগী মীখলদসু মদুমক্কি। পার্টি অমগী অখন্নবা মীরেপ অমখক্কী মফমদা এট্রেক। করিগীদমক? কনানা? পাউখুম অমুক থিবীরুনু। অদোম্না চিংনবীরিবা, হায়দোকপদা কিরিবদো- মদুমক্কি অচুম্বা। লো লৈত্রবা লৈপাক্কি। তম্পাক্তদি লো লৈ, খন্নরম্বা মতমদুদগী হান্নবা লো লৈরক্ত্রবা মণিপুরগী চীংগী লম অদুদনি পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন! তম্পাক লমদা থোকখিবা থৌদোক্তুদগী হেন্না য়েংহৈদ্রবা শক্তম অমা ওইরকপা য়াই। দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমগী, দেমোক্রেসিদা থাজজবা লৈপাকমচা অমা ওইরুবগী পূক্লিংসিদা চিংনবা পোক্তুনা অদুক হঙ্গৎচরুবনি। অদুবু, লো অমসুং ওর্দর ঙাক্লবা থল্লিবা নোংমৈ পায়বা খূৎপুগা লো থুগায়নবা লীংখিবা নোংমৈ পায়বা খূৎপুগা অমত্তা ওইনা লেঙ্গোন্নরিবা, চামিন-থকমিন্নরিবা লমদমনি, মীচম-মীয়াম কনাসু ৱাকৎপদি থমখ্রসি, মখোয়গা মায়োক্লদুনা লেপ্পা ফাওবা ঙমজদ্রবা ঙাক্তনি। ওইদ-পাদা, নম্ফু-হাফু-নোর্মেল ওইরবা ভোটিং প্রাক্টিস অমনি কনানসু ওপ্পোজ তৌদ্রবা। ইলেক্সন নত্তে সেলেক্সননি- কুইরবদই হায়নরকই। হন্দকমুকসু চুমগনি। অদুগা, য়েস! কুকিগী মীনৈ মায়োক্লরবা, ভোটর ওইনদি লৈরগা, মীরেপ ওইবদি য়াদবা এসেম্ব্লী সেগমেন্ট নিপানদা লৈবা মৈতৈশিং, হান্নবা লাইবক লেপথোক্লবা, অকনবা পার্টি -মীরেপসিগী মায়োক্তা লেপ্পকপা য়াই খন্দুনা মখোয়বু ভোট থাদহন্দনবা নৎত্রগা থাদহন্দনা অকনবা মীরেপ্তুগী ওইনা লৌনবা তম্পাক লমদা চথখিবা প্রাক্টিসতু এপ্লায় তৌনবা হোৎনরকপদা মুক্নবা খরদি থোক্লক্কদ্রা? ইন ওল প্রোবেবিলিটি- মদুমকসু থাজদে। মুক্নবা য়াওদনা, অপাম্বদু থুংননবা লৈঙাক ওথোরিটিনা শেম শাবা লোইরম্লনি। নেগেটিভ ওইবা ৱাখল নত্তবা, পোজিটিভ ওইবা ৱাখলমক্তা খন্নবা, ইচা-ইনাও, ইখা থাবশিংদা পাউতাক পীদুনা লাকচবা, পেসিমিষ্ট নত্তবা ওপটিমিষ্ট অমনি খঞ্জদুনা লাকপনি ঐ। মাঙ তাক্লবই মশক ওইরবা, ফত্তবা থৌদোক অদুসু অফবা অমা পুরক্লবগীদমক থোক্লিবনি খনবা তম্মু... লীদরশিপ গুরুশিংনা তাকপা পাউতাক্তুদা চেংনা থাজজবা মীশক অমসুনি ঐ। অদুবু, হৌখিবা চহী, থা খরসিদা থোক্লিবা থৌদোক, উরিবা শক্তম তারিবা পাউ ময়ামসিদগী সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীমকসিদা পোজিটিভ ওইবা ৱাখলনা মাঙওইনবা মীৎয়েং অমত্তা য়েংবা ঙল্লক্তরে। হংজরক্লে ইশাদা... ‘ঐসিবু পেসিমিষ্ট ওল্লবরা’?

অমুকসু ইশাবু থেমজিনজে- ঐগী ৱাখলনা লানবরা? ঐনা উরিবা শক্তম অদু অরানবরা? জুন ৪, ২০২৪গী নুমীদাংৱাইরম/নুংথিলদদি খঙলনি। ঐগী ৱাখলনা শেরান্নরম্বা ওইসনু। ঐগী ৱাখল লাল্লম্লবা, অতোপ্পবু নেগেটিভ ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবা হৈনরক্লবা ইশাবু অমুক শেমদোকচবগী তাঞ্জা ফংলনি। মমশিল্লক্লবা ইরমদমসিগী ওইনসু অনৌবা মঙাল অমা ফংলনি।

ঙসিগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসি লোইখ্র’তুং নুমিৎ ৩৯নি শুবদনি, মায় পাক্লবা মীহুৎ অনীদু কনানো- লাউথোরক্কদবা। ইন্নর মণিপুরগী ওইনদি মীরেপ অহুমগী ৱার্করশিংনা মাগী মাগী কেন্দিদেটসিনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা, এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৱাইজ ফংবা য়াবা ভোট মশীংগা লোয়ননা থাদোক্লরকপা চেজাই- থেংনবীরম্লগনি পুম্নমক্না। মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোরক্লবা হায়বসি কাগনি হায়বা ‘আশা’ অমগা ঈরোইনরগনি। মখোয় অহুম অমদি আশা অদু মাঙখ্র’মাল্লে, মৱা-মনিন নাইখিদ্রে। আশা লৈরিবা মখোয় অহুমসিগী মরক্তা অনী অমগী আশাসু কায়রগনি- জুন তারিখ মরিগী নুমিৎ য়ুংবা মতুং অদুৱাইদদি।

ইজরিবা ৱারেংসি ভোটরশিংদগী খোমগৎলুবা ইনফোর্মেসনশিংদা য়ূম্ফম ওইবা ‘ওপিনিয়ন পোল’ নত্তে। অচুম্ববু ওইগেরা, নম্ফু-হাফু ওইগেরা... মীরেপশিংদুগী মরাইবক, ঈ ভি এম মেছিনশিংদুগী মনুংদা ‘সিল্ড তৌদুনা’ থমখ্রবনি। হাংদোক্কদৌবতা ঙায়রবা। এপ্রিল ১৯দা পাঙথোকখিবা লোক সভা কন্সটিট্যুএন্সি ১০২ দুগী তোঙান তোঙানবা মীদিয়া হাউস অমদি এজেন্সীশিংনা ফোঙদোকখিবা ‘ওপিনিয়ন পোল’গী মতুংইন্না, রুল্লিং-পার্টি-এল্লায়েন্সকী পর্ফোর্মেন্স ইফ-ফনা ঙাওনদে। য়াম্লবদা ৪৭-৪৮দগী হেল্লোই ঙাওনরকপসিনা, অনীশুবা ফেজগী কেম্প্যেন মীটিংশিংদদি এট্রেক কনখৎনরক্লে। কনানা করম্না, কনাদা এট্রেক তৌনবা- প্রোপেগন্দাগী ৱারোলশিংদু ৱারেংসিদা কোনশিঞ্জরোই, পার্টি অমগী মীচঙদা, অতোপ্পগীনা মায়োক্তা ইবা ৱারেং তাখিনি।

মণিপুরগী ওইনদি ‘কুকি-মৈতৈ-কনফ্লিক্ট’। ‘সিদই হেনবা অতোপ্পা ইস্যু লৈতে। কুকিশিংগীনা মৈতৈশিংদগী তোখায়বা ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন’ (তোঙানবা য়ুনিয়ন টেরিটরি)। মৈতৈশিংনা হায়রিবনা- ‘হান্নগী টেরিটরি (অপূনবা শক্তম) কায়বা য়ারোই’। সোসিও-পোলিটিকল ক্রাইসিস অসি অৱাংবা পোলিটিকল প্লেটফোর্ম অমদা পুখত্তুনা দিবেট তৌনবা ঙম্বা, অৱাংবা থাক্কী পোলিটিসিয়ন অমা- মতমসিগী মণিপুরনা দিমান্দ তৌরকপনি।

অদুবু, মহাক্না তিল্লুদৌরিবা ‘সভা’ অদুদি অচৌবা ঈপাক অমগুম্বনি। অপীকপা ঈচেল অমগী ঙাখা-ঙামহায় ওইনা তিল্লুবা য়ারোই, ঙাজ াওশিংনা য়োৎখিনি। মদুমক্কি, অসূপ কুইবা মতমসি লমদমসিগী মীয়াম্না তৌদুনতা লাক্লিবা। ১৮শুবা সভাসিদদি মদুমক্তি থোক্লরোই- পুম্নমক্কী থাজবনি। অনীশুবা তাঙ্ককসিদগী হৌরগা তরেৎশুবা তাঙ্কক্কী মীখল নুমিত্তুফাওবদা এন দি এ অমসুং আই এন দি আই এ- নাকপাক অনীনা হুন্নদৌরিবা/লাউনদৌরিবা, অতৈগী নত্তে- লেমহৌরিবা তাঙ্কক্কী মীখল নুমিৎশিংদা মখোয়দা ভোট পীরক্লবনি। মোদিনা খল্লি- চহী কয়াদগী হিন্দুশিংনা মঙজরকপা ‘রাম-মন্দির’ মঙলান মঙফাওনহল্লবনা, ৱাহংলুবা তৌদনা বি জে পিদা ভোট পীরক্কনি। ৱাখলদু চেৎশিনহন্নবনি রাজস্থানদা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙখিবা। কোংগ্রেসনা অমুক পাউথোকই... ‘রাম-মন্দির অমসুং পার্লিয়ামেন্ট হাউস শঙ্গাবদা লৈপাকসিগী প্রসিদেন্ট য়াওহনখিদবা অতোনবা থাক্কী মীশিংবু লৈঙাকসিনা হন্থনা য়েংবগী ময়েক লাবা খুদমনি, আদিবাসি হায়বদি লৈপাকসিগী অশেংবা য়েলহৌ-মীনি শক্তাকপনি... লমদমসিগী অশেংবা মীবু ঈকায় খুম্নবা ঙমদবা লৈঙাক্কি’...।

হৌজিক, ঙসিগী মীরোলনা থেংনগদবা ইস্যুদি- ‘থবক ফংদবা’ অমসুং ‘পোৎকী মমল হেনগৎলকপ’নি।

## য়াশিন্নবা পুরক্ত্রবদি পাকিস্তান হোক্কী ফেদরেসন সস্পেন্দ তৌরবা য়ানা লৈরে

**কারাচি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):**

পাকিস্তানগী ওইনা লৈবাক অদুগী হোক্কী মশান্নগী বোদি ওইরিবা পাকিস্তান হোক্কী ফেদরেসন (পি ঐচ এফ)গী মরক্তা অনী থোকখিবনা মরম ওইরগা চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা অদু ঙসি ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ)না খঙহনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবদি পি ঐচ এফ সস্পেন্দ তৌরবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

পি ঐচ এফকী ফেক্সন অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না এফ আই ঐচনা চয়েৎনরিবা বোদি অনীগী মরক্তা ঙসি ফাওবগী মনুংদা য়াশিন্নবা পুরক্লবা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। এফ আই ঐচনা পি ঐচ এফতা ইরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না পাকিস্তান লৈঙাক্না খূৎ থিংজিন্দুনা লৈবাক অসিগী হোক্কী মশান্নগী ওইনা করম্বা ফেক্সননা থবক পায়খৎকদগে অমদি ইন্টরনেসনল লেভেলদা মহুৎ শিনগদগে হায়বদু অথুবা মতমদা খঙহল্লক্কদবনি নৎত্রবদি পাকিস্তান মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা হোক্কী চেম্পিয়নশিপ নৎত্রগা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লক্লগনি। লোয়ননা করিগুম্বা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদ্রবদি চহী অসিগী মে থাদা মালেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা সুল্টান অজলান শাহ কপ অমদি মে থাগী অরোইবদগী জুন থা ফাওবা পাঙথোক্কদৌরবা নেসন্স কপতা শরুক য়াবা য়াররোই হায়রি।

## রেষ্টলরশিংগী খূদোংচাদবশিং লৈহন্দনবা থবক পায়খৎকনি : নরসিংহ য়াদব

**বারানাসি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):**

লৈবাক অসিদা লৈরিবা এথলিটশিংগী ইস্যুশিং লোইশিন্নবা অমদি মখোয়গী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎকনি হায়দুনা নৌনা চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রবা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) এথলিট কম্মিসন নরসিংহ য়াদবনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা ফোঙদোকখিবদা

ঐখোয়গী অহানবা থৌদাংদি এথলিটশিংদা মখল অমত্তগী খূদোংচাদবশিং মায়োক্লহন্দনবা হোৎনবনি। মহাক মশাসু এথলিট অমা ওইনা হৌরকখিবনা হৌজিক-হৌজিক রেষ্টলিং শান্নরোয়শিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবা কয়া অসিগী মতাংদা খঙবা ঙম্মী। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না লৈবাক অসিগী এথলিটশিংদা থোকহন্দনবা হোৎনগনি। নুপা নৎত্রগা নুপী রেষ্টলরশিংনা খূদোংচাদবশিং নৎত্রগা পামদবা থেংনরবদি মঙোন্দা হকথেংননা পাউদম্লকপা য়াগনি হায়খি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৪।২০২৪ ইং, ইরাই;
অয়ুক ৭.৪৬ ফাওবা শজিবুগী ১৭নি পাল্লি, মতুংদি ১৮নি পাল্লনি।

**মেষ:** য়েক্লববু লাকশিন্দুনা অফবা মিংচৎ তানবা য়াগনি, মীনা ইকাই খুম্নবীগনি। অশাওবা উত্থোক্কনু, হোয়া ফগনু - তুংদা নীংঙল্লোই।
লৈশা পাখংগী- ঙাং-শকপদি তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** পাউতাক লৌশিনবদি য়াগনি অদুগা পীবদি ফরোই। ইশাগী থৌদাংদি অয়াম্বা মায় পাক্কনি, নীংবদুমক পাওগনি, ওইজবা য়াম্না ফংজগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** নচাক নরল চাওখৎনবা খূৎচাও থাদুনা হোৎনহৌবা য়ারগনি। মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইজগনি। অরাপ্পগা মতেং লৌনবদি থবক পনগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কর্কট:** খূৎচাও থানা অমদি নচাক-নরল য়াওনা ফরে খনবা থবক্তা থাদবা য়ারগনি। থৌনা লৈনা মাংলোমদা চঙশিনবা মতাং চাই।
লৈশা পাখংগী- মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**সিংহ:** খৎনবা /শাওনবা য়াবা থবক্তা মায় ওনশিনগনু, অফবা মরুপ খনবা লুগনি। পল্লম্বা লনদি ফংবগী নুংঙাইবা, মীনা থাগৎপীবা লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- ইকাই খুম্নবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** লাইবক ফবনা অফবা মফম অমা কঞ্জরে, ওইজবা য়াম্না ফংগনি। অরোনবা ঙাংথোকপনা থবক পনবা, য়েক্লবনা মরুপ শাবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**তুলা:** অরিবা মরুপ্তুগী অনৌবনা হেন্না কান্নজবা নুমিৎনি। নাইতোম ৱা তুপকনু, নীংবা খূদিং চূল্লোই-লৌশিং চাওবগী ৱা লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংগী- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**বৃশ্চিক:** হরাওবা, ৱাখল থোকপা, ৱানোম-থৌনোম কান্নবা, অনম তানবনা কান্নবা হেন্না ফংগদবা নুমিৎনি। য়েক্লবসু লৈতবা নত্তে-ফিংগনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**ধনু:** মরম চাদনা আশা পংচাও চাওগনু-কায়নবদুম নংগনি। লান্দ্রদি থোইদোক্না নতিক নগুণ হেনগৎকনি, লন চঙগনি, মিং চৎকনি।
লৈশা পাখংগী- ঙাং-শকপা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**মকর:** নক্লবনা লৌথোক্লিংবা, হৈথোই-শিংথোইবা ৱাৎপা লৈরবসু ওইজবা তানবদি শোয়দনা কান্নগনি। অরাপ্পা চৎপা মহয় ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**কুম্ভ:** য়েক্লবা লৈরম্লসু লায়না খূদুম চনগনি, লাই-গুরু অমদি লোয়নবগী মতেং চাওনা ফংগনি। চঙশিনখ্রদি হল্লনু-মীকোক শোয়দনা থোংগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**মীন:** খোয়রাং-খোয়শাওনবা অমদি করিসু নত্তবনা ৱাঙাং শোয়বদগী ইকাই-নুংশি য়ানবা থৌদোক নংবা য়াই। অখঙ-অহৈগী পাউতাক লৌ।
লৈশা পাখংগী- খাঙবা কল্লু-শাওগৎকনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ /চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
----------
/ NOTIFICATION
Imphal, the 25th April, 2024

**No. 12/PMS-FORMS/2012-TA&H:** It is hereby to inform all concerned that, Notification for online documents submission only for **Defective Application** availing ST Pre & Post – Matric scholarship for the year 2023-2024, notified vide Notification No. **12/PMS-FORMS/2022-TA&H dated 11.12.2023**, is extended further up to **29.04.2024** as per the schedule provided below:

The Last date of online Defective application submission details will now be as given below:

| Category | Defective Application Verification Date | Institute Verification | DNO/SNO Verification |
|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) |
| (a) **Pre-Matric** | Open till<br>**29-04-2024** | Open till<br>**29-04-2024** | Open till<br>**30-04-2024** |
| (b) **Post-Matric** | **-do-** | **-do-** | Open till<br>**30-04-2024** |

2. Therefore, all Students/Principals/HODs/DNOs of various institutes located in Manipur and outside the State are directed to complete their application and verification process well on time before the expiry of the extended dateline.

3. Issued in public interest and for compliance by Students / Institutes heads.

Sd/- Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/8698/26,27

Unique Education CBSE
Estd.2007
The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.
ADMISSION OPEN
Vacation Course for
NAVODAYA, SAINIK
& Outsiders CBSE IX ,X ,XI, XIISc.&Arts.
5-months Foundation for
CBSE IX & X
3-months Foundation for
CBSE / CoHSEM XI Sc.
5th-April-2024
IX & X -- English, Maths, Science & S-Science
XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths
5-months Foundation for
CBSE & CoHSEM XII Sc.
Girls Hostel in the same block
Van service / Boys Hostel
Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8699/26/4-26/5